# অস্বিনি-সাটৱিক মিক্সকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, সাইনা অমসুং সিন্ধুসু ক্বার্টর য়ৌখ্রে



নানজিং, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী মিক্স দবলসকী শান্নরোয় অস্বিনি পোনাপা অমসুং সাটৱিক রানকিরেদি চাইনানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে। নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোয় সাইনা নেহৱাল অমসুং পি ভি সিন্ধুসু ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

রানকিরেদি অমসুং পোনাপানা ঙসি শান্নবা অহুমশুবা রাউন্দদা মলেসিয়াগী চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা তরেৎশুবা সিদেদ ওইরিবা এস ঐচ গো অমসুং এস জে লাইবু ২০-২২, ২১-১৪, ২১-৬ তা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনাগী এস দব্লিয়ু ঝেং অমসুং ৱাই ক্যু হ্বাংগা লম্বা তৌনরগনি।

১০ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা ঙসি মরিশুবা রেঙ্ক থাইনাগী রাটচানোক ইন্টানোনবু ২১-১৬, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা তরেৎশুবা সিদেদ স্পেনগী কেরোলিনা মারিনগা থেংনরগনি। অমরোমদা অহুমশুবা রেঙ্ক ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দগী মেচতা ৯ শুবা রেঙ্ক সাউথ কোরিয়াগী জে ঐচ সুংবু ২১-১০, ২১-১৮ দা থোইরম্লগা হয়েং ক্বার্টর ফাইনেলদা নিপানশুবা রেঙ্ক জপানগী নোজোমি ওকুহারাগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপতা ইন্দিয়াগী মঙাশুবা রেঙ্ক কিদম্বী শ্রীকান্থ মলেসিয়াগী দারেন লিয়ুগী মখুৎতা ১৮-২১, ১৮-২১ দা মায়থীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে। অদুবু চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী অতোপ্পা শান্নরোয় বি সাই প্রনিতনা দেনমার্ককী ঐচ কে ভিটিংগসপু ২১-১৩, ২১-১১ দা অহুমশুবা রাউন্দ অদু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী মোমোটাগা থেংনরগনি।

# স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী একাদেমিশিংদা খূৎলায় ৱাৎপগী অচৌবা অৱাবা মায়োক্লরি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী)ঃ
স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) গী তোঙান তোঙানবা রিজনেল সেন্টরশিংদা লৈবা একাদেমিশিংদা খূৎলায় ৱাৎপগী অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্লদুনা লৈরি। অথুবা মতমদা অহেনবা খূৎলায় হাপচিন্দ্রবদি সেন্টরশিংদগী অফবা শান্নরোয় পুথোকপা ঙম্লোইদবগী ফিভমদা লৈরে।

লৈঙাক অসিগী খেলো ইন্দিয়া প্রোগ্রামগী মতুং ইন্না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী এথলিট ৭৩৪ খনগৎতুনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা সাইগী একাদেমিশিং অমদি প্রাইভেট স্পোর্টস একাদেমিশিংদা ট্রেনিং পীনবগী থৌরাং শীনখ্রবনি। অদুবু ট্রেনিং সেন্টর কয়াদগী হায়রিবা সেন্টরশিং অদুদা শান্নবদা চঙবা খূৎলায়শিং ৱাৎপগী অচৌবা অৱাবা মায়োক্লরি হায়না দিল্লিদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী হেদক্বার্টরদা অৱাৎপশিং অদু মেনশিনবীয়ু হায়না ইরকপা চেরোল কয়া লৈখ্রবনি হায়না পাউগী চেন্নেল অমনা ফোঙদোরক্লি।



দিল্লিদা লৈবা নেসনল সুটিং একাদেমি ওইরিবা কর্নি সিংহ সুটিং রেঞ্জ, বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্বিমিং একাদেমি, ত্রিভেন্দ্রমদা লৈবা লক্সমিবাই নেসনল কোলেজ ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসনদা লৈরিবা এথলেটিক্স অমসুং রোৱিং একাদেমিশিং লোয়নন লক্ষনৌদা লৈবা নেতাজি সুভাস রিজনেল সেন্টরগী রেষ্টলিং একাদেমিগী মায়কৈদগী মফমশিং অদুদা শান্নবগী খূৎলায়শিং য়াম্না চাওনা ৱাৎলে হায়না চে ইরকখ্রবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা সাইগী দিরেক্টর জেনরেল নিলম কাপুর অমসুং দেপ্যুটি দিরেক্টর জেনরেল সন্দিপ প্রধানগী মায়কৈদগী ঙসি নুংথিল ফাওবা ৱাফম অত্তা থল্লক্ত্রি।

কর্নি সিংহ সুটিং রেঞ্জকী সুটিং একাদেমিদা কোচিং কেম্প পাঙথোকপা মতমদা শীজিন্নগদবা নোংমৈ মরূশিং য়াম্না চাওনা ৱাৎলি হায়না একাদেমি অদুগী এদমিনিষ্ট্রেটর মঞ্জুশ্রী দয়ানন্দনা ফোঙদোরক্লি।

সাইগী রিজনেল দিরেক্টরনা ইরকপা চেরোল অদুদা হৌখিবা চহী ৩ অসিদা স্বিমিং একাদেমি অদুদা শীজিন্নগদবা পোৎলমশিং ৱাতুনা লাক্লি। ত্রিভেন্দ্রমগী রোৱিং একাদেমিদসু শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং মতমগা চুনদ্রে হায়রক্লি।

# ইংলেন্দগা শান্নবা অহানবা টেষ্টতা ফিভম শোকচিল্লুরবা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস ভিরাত কোলিগী সেঞ্চুরিনা শেমগৎপা ঙমখ্রে

বিরমিংহাম, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী) ঃ
ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা টেষ্ট মেচ মঙাগী সেরিজগী ঙরাংদগী শান্নবা হৌখিবা অহানবা টেষ্ট মেচ অদুদা ফিভম শোকচিল্লুরবা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু কেপ্টেন ভিরাত কোলিগী সেঞ্চুরিনা শেমগৎপা ঙমখ্রে।

বিরমিংহামদা শান্নবা অহানবা টেষ্ট অদুগী টোস ইংলেন্দগী কেপ্টেন জো রুটনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। ঙরাং ইংলেন্দনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ১০ দা রন ২৮৭ লৌরগা ইন্নিংস লোইশিনখি। ঙরাং শান্নবা নুমিৎকী লোইশিনবা ফাওবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৮৫ লৌদুনা লৈখি। অদুগা ঙসি টিম অদুগী ১০ শুবা বেটসমেন অদু মখা তানা রন ২ খক হাপচিল্লগা ইন্নিংস লোইশিনখিবনি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী কেপ্টেন জো রুটনা রন ৮০ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বেটসমেন ওইখি। অদুগা মঙাশুবা বেটসমেন জোনি বাষ্টোনা রন ৭০ লৌরগা টিম অদুগী অপূনবা স্কোরদা চাওনা মতেং পাংখি। ওপনর কিটোন জেনিংসকী রন ৪২ সু শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।



ইন্দিয়াগী বোলরশিংগী মনুংদা স্পিন্নর রবিচন্দ্রন অস্বিননা ইংলেন্দগী বেটসমেন ৪ আউট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি। লোয়ননা মেদিয়ম পেসর মোহম্মদ সামি ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি। অদুগা ফাষ্ট বোলর উমেশ য়াদব অমসুং ইশান্ত শর্মা ৱিকেট অমমম লৌখি।

ঙসি ইন্দিয়ানা ইংলেন্দগী রন ২৮৭ অদুগী পাউখুম পীরদুনা শান্নবা হৌরকপদা ফিভম ঙন্না শোকখি। স্কোরবোর্দতা শুপ্নগী রন ৫৭ তা ঙাইরিঙৈদা ৱিকেট ৩ তুখি। কেপ্টেন ভিরাত কোলিনা ইংলেন্দগী বোলরশিং অদুগী মায়োক্তা ফজনা শান্নদুনা অতোপ্পা বেটসমেনশিং মরী মরী আউট ওইখ্রবসু ভিরাত কোলিনা রন ১৪৯ লৌরগা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুবু পূন্না স্কোর ২৭৪ শুহন্দুনা ইংলেন্দদগী রন ১৩ খক শোথদুনা লৈরি।

ইন্দিয়াগী ওপনর মুরালি বিজয় অমসুং সিখর ধৱন ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌরকপদা রন ৫০ হাপচিনবা ঙমখিবনি। অদুবু বিজয় রন ২০ দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা লোকেস রাহুলসু রন ৪ দা ইংলেন্দগী বোলর সাম কুরননা আউট তাহনখিবনি। সাম কুরননা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা বেটসমেন অনী আউট তাহনখ্রবা মতুং অতোপ্পা ওপনর সিখর ধৱনবুসু রন ২৬ তা আউট তাহনখি।

ইন্দিয়াগী মখা তারকপা ইন্নিংস অদুদা অচৌবা পার্টনরসিপ অমত্তা শেম্বা ঙমখিদে। ভিরাত কোলিনা মদুদা লেঙদনা লৈদুনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুবু মখা তানা কন্দুনা শান্নরকখিবনি। হার্দিক পান্দিয়াগী রন ২২ ইন্দিয়াগী অপূনবা স্কোরদা খরমখৈ কান্নবা পীখি। লোয়ননা অজিনকিয়া রহানেগী রন ১৫ সু পনবা য়াবা স্কোর ওইখি। ভিরাত কোলিনা মহাক্কী রন ১৪৯ লৌখিবা অদু পূন্না বোল ২২৫ মায়োক্লবদনি। মদুদা মহাক্না ফোর ২২ য়ৈখি। মহাকপু ইংলেন্দগী বোলর অদিল রসিদনা আউট তাহনবনি। ইংলেন্দনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদুদা রন ২৮৭ লৌখিবা অদুগা ইন্দিয়ানা ২৭৪ লৌবদগী রন ১৩ শোথরি।

# ৪ শুবা ইন্টর্নেসনল করাটে-দো চেম্পিয়ন্সিপতা সিলভর মেদল ফংলকখ্রবা বালকৃষ্ণ ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস) ঃ
কোলকটাগী নেতাজি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা গ্লোবেল সৈসিনকাই সিটো রু করাটে-দো ফেদরেসননা শীন্দুনা হৌখিবা জুলাইগী ২৮ অমসুং ২৯ দা পাঙথোকখিবা ৪ শুবা ইন্টর্নেসনল করাটে-দো চেম্পিয়ন্সিপতা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াদুনা সিলভর মেদল লৌরকখ্রবা ওল মণিপুর জি-টো-কু-কাই করাটে এসোসিএসনগী শান্নরোয় বালকৃষ্ণ য়ুম্নাম এসোসিএসন অসিনা ঙসি হরাও তয়াম্না ওকখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ১২ গী মার্সিয়ল আর্ট শান্নরোয় ৪৭০০ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ৪ শুবা ইন্টর্নেসনল করাটে-দো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা ইন্দিয়াগী টিমদা মণিপুরগী শান্নরোয় নুপা অমসুং নুপী ৩২ না শরুক য়াখি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরগী করাটে-দো শান্নরোয়শিংনা গোল্ড মেদল ১৬, সিলভর মেদল ৯ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ১৭ পূন্না মেদল ৪২ লৌরকপা ঙম্লকখি। মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা ওল মণিপুর জি-টো-কু-কাই করাটে এসোসিএসনগী শান্নরোয় ওইরিবা বালকৃষ্ণ য়ুম্নামনা সিনিয়র কেজি ৫০ গী কুমিটে ইভেন্টতা সিলভর মেদল লৌরকখিবনি।



মেদল লৌরকখ্রবা বালকৃষ্ণ ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা শান্নরোয় অসিবু লৈ পরেং হুক্তুনা অমসুং মেমেন্টো খুৎশিন্নদুনা তরাম্না ওকখি হায়না এসোসিএসন অসিগী ইনষ্ট্রক্টর এল জোতিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ইন্টর্নেসনল এরোবিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮দা ইন্দিয়ানা ব্রোঞ্জ মেদল অনী লৌরক্লে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী)ঃ য়ু এস এগী অরিজোনাদা পাঙথোকপা ইন্টর্নেসনল এরোবিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮দা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ব্রোঞ্জ মেদল অনী লৌরক্লে। নুপাগী ইন্দিবিজুএ্যল কেটগোরিদা ব্রোঞ্জ অমা অদুগা ৱুমেন্স ট্রাও ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ অমগা ফংখিবনি।

ইন্টর্নেসনল এরোবিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ অসি এসোসিএসন ওফ নেসনেল এরোবিক চেম্পিয়ন্সিপস (এ এন এ সি)না শীন্দুনা পাঙথোকপনি। এ এন এ সিনা ইন্টর্নেসনল এরোবিক চেম্পিয়ন্সিপ অমসুং ইন্টর্নেসনল য়ূঠ এরোবিক চেম্পিয়ন্সিপগী ওফিসিএটিং অমসুং সেঙসন্নিং বোদি ওইরিবনি।

এ এন এ সিগী নেসনল মেম্বর এফিলিএটস অমসুং এ এন এ সি এসোসিএটসশিংদগী লাকপা মকোক থোংবা এথলিটশিং নত্রগা সেলেক্সনদা খনগৎলবা এথলিটশিংনা শরুক য়ারিবনি। কম্পিটিসন অসি ইন্দিবিজুএ্যল, মিক্স পেয়র, ত্রায়োস, গ্রুপ অমসুং এরোদান্স কেটগোরিদা এথলিটশিংনা লম্বা তৌনবনি। শরুক য়ারিবা ইন্দিবিজুএ্যল, ত্রায়ো নত্রগা গ্রুপশিংনা মিনট ১গা সেকেন্দ ৪৫গী মনুংদা মাংজৌননা প্রেকটিস তৌরবা পর্ফোমেন্স অদু উৎকদবনি। ওফিসিএল ওইনা মশান্না অসি ইন্টর্নেসনেল ওলিম্পিক কম্মিতিনা শকখঙদুনা এরোবিক জিম্নাষ্টিক্স নত্রগা স্পোর্টএরোবিক্স হায়না খঙনরি। অদুবু মশান্না অসি ওলিম্পিক মেদল দিসিপ্লিন ওইনদি য়াওদ্রি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অনিকাটে চক্রবতিনা এজ গ্রুপ টুগী নুপাগী ইন্দিবিজুএ্যল কেটগোরিদা পুন্না পোইন্ট ১৮.৪৫০ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখি। অদুগা অতোপ্পা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা নুপীগী ত্রায়ো গ্রুপ্তা ইসা, য়ুরিকা অমসুং দিব্যস্রিনা ফংলকপনি।

# ইরোম সৈত্যসেন নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবতা লাক্কদৌরিবা আই এস এলদা শান্নরগনি

গুৱাহাটি, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা মমিং কনবা ঙল্লবা মণিপুরদগী হৌখিবা ইরোম সৈত্যসেন নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবতা লাক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) ২০১৮-১৯ সীজনদা শান্নরগনি।

মশাগী চহী ২৬ শুরবা ৱিঙ্গর ইরোম সৈত্যসেন মমাঙগী আই এস এলগী সীজনদা দিল্লি দাইনামোর্স ফুটবোল ক্লবতা শরুক য়াদুনা মেচ ১১ শান্নবা ঙমখি। মদুদা মহাক্না পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। পনবা য়াই, ইরোম সৈত্যসেননা প্রোফেস্নেল ফুটবোল অসি মেঘালয়াগী ফুটবোল ক্লব রোয়ল ৱাহিংদোদা অহানবা ওইনা কুমজা ২০০১ দগী শান্নবা হৌখিবনি।

হায়রিবা ক্লব অদুদা কুমজা ২০১৫ ফাওবা শান্নখি। মদুগী মনুংদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা মহাকপু লোন ওইনা আই এস এলদা শান্নবা য়াওহনখি। কুমজা ২০১৬ কী মতম খরা সৈত্যসেন গোৱাগী ফুটবোল ক্লব সলগাওকরদা শরুক য়ারম্লবা মতুং হায়রিবা চহী অদুমক্তদা মপূং ওইনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবতা শান্নখি।



থংনবা চহীদা মহাকপু মহারাষ্ট্রগী পুনেদা লৈবা দি এস কে সিভজিয়ান্স ফুটবোল ক্লবনা লোন ওইনা শান্নহনখি। মদুগী মতুং দিল্লি দাইনামোর্সতা শান্নখিবনি। মহাক্না হন্দক নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব অসিদা অনীরকশুবা ওইনা মপূং ফানা শান্নগদৌরিবা অসিদা ক্লব অসিগী অমদি ক্লব অসিবু শৌগৎলিবা কাঙবুনা তরাম্না ওকখি।

ইরোম সৈত্যসেন ইন্দিয়াগী নেসনল ফুটবোল টিমদা কুমজা ২০১৫ দা খন্দুনা মেচ মঙা শান্নবা ঙমখি। অদুবু মহাক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখিদ্রবসু ইন্দিয়াগী টিমনা পাঞ্জল চনখিবা মতমদা মহাক্কী কনট্রিব্যুসন কয়া য়াওখি। নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবনা হৌখিবা সীজনদা খ্বাইদগী মমৈ তাখ্রবসু হন্দক্কী অনৌবা সীজন অসিদা অনৌবা শান্নরোয় মঙা হাপচিন্দুনা মমাঙগী সীজনদা লৈখিবা ফিভম অদুদগী হেন্না ফগৎনবা হোৎনগদৌরি।

# মুএথাইগী ত্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস)ঃ
চহী অসিগী নবেম্বর ১৫ দগী ১৮ ফাওবা মহারাষ্ট্রগী পুনেদা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা য়ুনিফাইদ নেসনল এমেচর মুএথাই চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুনবগীদমক নুমিৎ ১৫ নিগী নন-রেসিদেন্সিয়ল কোচিং কেম্প কম ত্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১২ দগী চঙাঙ্গৈ কম্যুনিটি হোলদা হৌদোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর মুএথাই লভর্স এন্দ প্লেয়র্স ওর্গনাইজেসননা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। ত্রায়ল সেলেক্সন অসিদগী খনগৎলবা শান্নরোয়শিংনা নেসনল, এসিয়ন গেমস, ২০২০ সম্মর ওলিম্পিক্স কীদমক ত্রায়ল য়াওবা য়াবগী খুদোংচাবসু ফংগদৌরি।

মহারাষ্ট্র মুএথাই এসোসিএসননা ওল ইন্দিয়া এমেচর মুএথাই ফেদরেসন/মুএ বোরান ফেদরেসন ইন্দিয়া/এমেচর মুএথাই নেসনল ফেদরেসন ইন্দিয়া অহুম্না পূনশিল্লগা শেম্বা ইন্দিয়াগী অমতা ঙাইৱবা য়ুনাইটেদ এমেচর মুএথাই এসোসিএসন ইন্দিয়ানা ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা চেম্পিয়ন্সিপ অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

## ত্রায়ল কম সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি


ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস)ঃ
টগ ওফ ৱার ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা থা অসিগী ২৯ দগী ৩১ ফাওবা মহারাষ্ট্রগী পালগরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩১ শুবা সিনিয়র নেসনল টগ ওফ ৱার চেম্পিয়ন্সিপ (মেন এন্দ ৱুমেন) ২০১৮ দা মণিপুরগী শান্নরোয় খন্ননবগীদমক মণিপুর টগ ওফ ৱার এসোসিএসননা ত্রায়ল কম সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী প্রেসতা খঙহল্লক্লি।

সিনিয়র নেসনল টগ ওফ ৱার চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা পাঙথোক্কদৌরিবা কেটিগরি মঙাগী মনুংদা মণিপুরদগী কেটিগরি মরিদা শরুক য়াগদৌরি। হায়রিবা কেটিগরিশিং অদুদি সিনিয়র মেন্সকী কেজি ৬৪০ গী আউটদোর, সিনিয়র ৱুমেন্স কেজি ৫০০ গী আউটদোর, সিনিয়র মিক্স কেজি ৫৬০ গী আউটদোর অমসুং সিনিয়র মিক্স কেজি ৫৪০ বীচনি। কেটিগরি মরি অসিদা শরুক য়ানিংবা মণিপুর টগ ওফ ৱার এসোসিএসনদা রেজিষ্টর তৌরবা শান্নরোয়শিং অমদি মশান্না অসিদা নৌনা য়াওনিংবা নুপা অমসুং নুপীগী শান্নরোয়শিংনা লাক্লিবা থা অসিগী ৮ দা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মগী গেট নম্বর ১৪ দা এসোসিএসনগী ওফিসতা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# স্পোর্টস মিনিষ্টর রাথোরনা লায়েংলিবা এসিয়ন গোল্ড মেদালিষ্টতা লুপা লাক্ষ ১০গী শেলগী মতেং লাওথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী)ঃ কুমজা ১৯৭৮দা পাঙথোকখিবা নুপাগী কিলোমিটর ২০কী ৱাক রেসতা গোল্ড মেদল ফংখিবা ইন্দিয়াগী এথলিট হৌজিক হৌজিক লিভর নাদুনা লৈরিবা হকম সিংহ ভাটলদা মখাতানা লায়েংনবা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যবর্ধন সিংহ রাথোরনা লুপা লাক্ষ ১০গী মতেং লাওথোকখ্রে।

হকম সিংহ ভাটলনা মহাক্কী করিয়রদা কুমজা ১৯৭৯দা জপানদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেদল অমসু ফংখি। হকমদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা কুমজা ২০০৮দা ধ্যান চান্দ এৱার্দসু পীদুনা ইকাই খুম্নখ্রবনি। হৌজিক হৌজিক হকম সিংহ ভাটল পঞ্জাবকী সাঙগ্রুর দিষ্ট্রিক্তা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা লায়েংদুনা লৈরি।



মমাংদা পঞ্জাবকী চিফ মিনিষ্টর কেপ্টেন অর্মিন্দর সিংহনা অৱাবা নংলিবা হকমগী ইমুং-মনুংদা পীবা য়াবা মতেং পুম্নমক পীগনি হায়না লাওথোকপা লৈখ্রবনি। ঙসি ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যবর্ধন সিংহ রাথোরনা মতেং পাংবগী ৱারোল অদু লাওথোকখিবগা লোয়ননা মিনিষ্ট্রি অদুগী টিম অমা চত্তুনা হকমগা উন্নবা লৈখ্রে লোয়ননা মখাতাবা মতেং পীননবা শেমশাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোরক্লি।



HL-B/4720/24/6-21/08 (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com